## (মীয়াম্না পাবীয়ু, নৈনবীয়ু)

# ‘মণিপুরগী লানগী মতাংদা মীয়ামগী ৱাফম’

### উন্নরুবগী কান্নররোই

(৩৯)

ইমা লৈবাক্কী নুংশিজরবা মীদিয়াগী ইচিল-ইনাও অমসুং আর পি আই অথৱালেগী নেসনল সেক্রেটরি মহেশ্বর থৌনাওজমবু লোইজিং-লোয়াগী অৱা-অনাগী মপাউ লৈবাক শিন-থুংনা য়ৌহনবগী থাগৎচবগা লোয়ননা য়াইফবতা ওইহনবীয়ু হায়না তাইবং মপূগী মফমদা থৌনীজরি। চিন-কুকিগী লানসিনা মরম ওইরগা থম্মোয়দা ফাওজবা খরা মীদিয়াগী মতেং লৌজরগা ফোঙদোকচরি। মমাংথক্তা উখিদবা সর বিরেনগী লৈঙাক্তা ইমা লৈবাকপু নুংশিজবগী মমি খরা উজখি। অদুবু হৌজিক তৌরিবসিদি মীয়াম্না পেনবা হায়বদুদি ওইদ্রে। হৌজিক য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট শাহ জী উনরুবা, মেমোরেন্দম পীশিনবগী ৱাহন্থোক লৈররোইদ্রা হায়না খঞ্জে। অদোম অদোমবু মীহুৎ ওইনা খল্লিবসি মীয়াম্ননি, অমিট শাহ জীনা নত্তে হায়বসে হেক হেক কাউনবগুম তৌরি। হৌজিকসু মতম লৈরি লৈবাকসিগী শেঞ্জাও পায়বা এম এল এ, মিনিষ্টর, গভর্ণমেন্টকী ফম্নাইবা পূল্লপ থোকপীরক্লো, ওর্গনাইজেসনশিংসে পূনশিনবীদুনা মপী-মপা অমা ওইনা ইমা লৈবাক কন্নবা থৌদাং লৌমিন্নরসি। মীচঙ শঙ্গ নাইবা মশেন-মবাইগী (কুকি-অসাম রাইফলস) মথক্তা লান্দারসি। অনী থোকপী, মিনুংশি খক্তা উৎপা, অমগা-অমগা হুনবা তোল্লসি। মিনুংশি খক্তা উৎপনা ফুরুপশিং নৱাঙলক্লে। মীতৈনা থোকহনবা ভাইওলেন্সতি রেলি, ৱাকৎ মীফম, প্রেস কনফরেন্সনচিংবা পেন্দবগী খোল্লাউনা মালেম পূম্বা পূমনিল নিল্লি। অতোপ্পগা ওইরদি চৈনা ইফাও ফাওদগুম তৌই, মসি অচূম্বা খোঙথাং নত্তে। মিনুংশি চাওবা মীতৈশিং য়েক্লবদদি নোংশাদগী হেন্না শাথিবা শকলোন লৌরি হায়বসে মালেম পূম্বদা অমুক খঙহল্লসি। মীতৈ পূনশিনবা হৌনরে, ইন্দিয়া লৈঙাক্লসু থওইনা তাবীরক্ত্রে, মফি থোংবা কুইদ্রিবা জোরমথাঙ্গাগী মখোঙ কোনবা কান্নরোই নৌমল্লি। নমা, নচে, নচলনা শন্দোক্লম্বা অরৈবা পূম্নমক খোমগৎলু লানসি নখোয়গী অরোইবা লান্নি।

লঙ্কাদা রাবোন, লমকাদা কুকি, হা হা...

**অদোমগী - দ্বিজমণি সোইবম**
**লমদেং খুনৌ, লমশাং, # ৮৪১৪৮৫৮৬০৪**

-----------------------

### অমত্তা ওইনা পূনশিনসি

(৪০)

ৱাহৈ খরা ফোঙদোকচরি হৌজিক-হৌজিক থোক্লিবা লানসিগী মতাংদা.... লানসিনা মরম ওইরগা মীচম ময়াম অমা অৱাবা চৈথেং কয়া নংলে। লৈবাক্কী অঙম-অথৌ, ব্যুরোক্রেটশিং, ইলেক্তেদ মেম্বরশিং-নচিংবা পূম্নমক্না মীয়ামগী ইমোসন খঙনা থবক তৌবীয়ু। লৈবাক্কী রিপ্রজেন্টেটিভ অমা ওইরবদি মদুগী মতুং ইন্না থৌদাং লৌবীয়ু। প্লিজ ষ্টোপ দি লিপ সিঙ্ক এন্দ রিলায়িং, ওন দি হাই টেবল। বি এ ট্রুষ্টৱর্দি রিপ্রজেন্টেটিভ ফোর দ পীপল ওফ মণিপুর। ইশাগী য়ুম মৈ চাক্তে, ইশাগী ইমুং শোক্তে হায়বগী ৱাখলদো থাদোকপীয়ু। থন্দর ৱিদাউট রেন দজনোট পুট এ স্মাইল ওন ফার্মরস ফেস। ঙাইহাক-ঙাইহাক্কী ওইবা ৱাখল্লোনদা থবক তৌবীনু, ৱা ঙাংবীনু, ...লীদরশিপ ইজ জষ্ট নোট অবাউট এ পোজিসন ওর এ টাইটল, ৱান্স হেজ টু বি অর্ন ইট ৱিথ দিগ্নিটি। ...ঐখোয়গী লৈরিবা ওর্গনাইজেসন ময়ামসে অমত্তা ওইনা পূনশিনবীয়ু... “ৱান ভোইস এট দি রাইট পীটচ ইজ ইনফ টু কোজ এন এভালাঞ্চ”। “মণিপুরগী শক্তম কায়বা য়ারোই” শক্তমসে অপূনবগী শক্তমদুনি পূনশিন্দ্রদি ইট ইজ নোট ৱর্থ টু সে ইট... মেনি হেন্দ্স মেক লাইট ৱর্ক। ঐখোয় মীতৈ মচানি, মীতৈ নোংশাগী প্রিন্সিপল ঙাকপা ঙমদ্রবদি ৱি ৱিল বি এ লফিং ষ্টোক ফোর দি এনিমি।

**অদোমগী - বুংঙো সরুংবম**
**চীংঙামথক, # ৮২৫৮৯৬৬৯২৮**

-----------------------

### অপূনবনা পাঙ্গলনি-কাউ’গুমসি

(৪১)

অসুক চিরবা তাঞ্জাসিদা ঐখোয় মশেল অমগা-অমগা ওনশিন্নদুনা লাউনগদবা মতম নত্তে হায়বসি অখঙ-অহৈ ওইবিরিবা সী এস ওশিংনা খন্থবীবা ঙন্বীদ্রমাল্লে। মীয়ামগী খোল্লাউ তাবা, খন্থবা ঙন্বীদ্রবা মহাক্তো করম্বা ৱাহৈনা শেমদোক্কনি খঙজদ্রে। মীয়াম্না খোল্লাউ কয়া লাউরিবসি তাবা হৈবগী লীচৎসু থন্বীয়ু। সী এস ও য়াম্মনবনা মীয়াম ঐখোয় চম্মরে, কনাগী ৱানো তাগদবা? লুচিংবা ওইরবনিনা মীয়ামগী “ৱাকৎ” তাবগী হৈনবীসু লৈবীগদবনি।

অঙাং ওইরিঙৈ তল্লকখিবা- লিংজেল মান্নদ্রবা মচাশিংগী লীচৎ উবদা পেঞ্জদ্রবা মপানা ৱাশা অমমম্ পীরগা মচাশিংদা থুদেক্লবা পীখি, লায়না থুদেকখি। মপানা অমুক ৱাশা মপূল মচা অমা থুদেক্লবা পীবদা মচাশিং অমত্তনা থুদেকপা ঙমখিদে। মদু উবদা মপানা- “অপূনবনা পাঙ্গলনি”, অসুম্না পাউতাক পীবীখি। লিংজেল মান্নবা ইমুং ওইখি। মরম অসিনা ঐখোয় পূনশিনসি- “য়ুনাইট ষ্টেন্দ, দিভাইদ ফোল” কাউগুমসি। চনিং তানা খন্থবীয়ু।

অতোপ্পা কাঙলূপকীদি ওর্গনাসজেসন ময়াম লৈরবসু, ময়ামদুগী অপূনবা লুচিং-পুরেল’মা লৈবনা- অপূনবগী খোল্লাউদা মতুং ইল্লি-চৎলি। ঐখোয়গীদি কদায়-ঙাংবা কনবা, মীয়ামগী পূক্নিং খঙদবনা অয়াম্বা ওইরে, মীয়ামগী ৱাকৎসু, তাবীয়ু, খন্থবীয়ু। লূপ পূম্বা পূনশিনবীয়ু, পূনশিল্লবদি অহেনবা ৱাখল-লৌশিং থোক্কনি খঞ্জে।

ইপা-ইপূ, লাইওইখ্রবশিংনা তাকপী-তম্বীরম্বা ৱাহৈ পাউতাক- “তরাগী চৈশুনা লেংথোং ফাই” কাউগুমসি।

**অদোমগী - শন্তোষমণি থোকচোম**
**মৈনো লৈরক, শগোলবন্দ, ইম্ফাল ৱেষ্ট**
**# ৯৭৭৪৪৭৮১৪৫**

-----------------------

### ইন্দিয়াদা তিল্লুবদগী...

(৪২)

মে ৩দগী হৌরক্লিবা লান অসি কুকি রেলি অদুনা লোনা য়াদবা মওংদা চৎলি অদুনা ঈরাংসি মখোয়না হৌই হায়বসি খঙনা-খঙনা সেন্টরনা তুমিন লৈশিনবনিনা মণিপুরগী এম এল এ ৫০ পূনশিল্লগা ঐখোয়গী ৱা তাদ্রবনিনা মর্জ সাইন তৌনখিবদো হন্দোকপা পাম্মী হায়হনগদবনি। মরমদি লৈবাকসিগী মপী-মপা ওইরিবনি মখোয়না। নীংতম্না হিংজবা পাম্মী, মীখা পোন্না হিংবা পামজদ্রে। ইন্দিয়াদা তিল্লুবদগী কংলৈপাক্কী মাঙজবা ঙাক্তনি।

**অদোমগী - বসন্ত মীতৈ, নম্বোল**

-----------------------

### কংলৈপাক ইমাগী লান

(৪৩)

লান অসি মেগী তারিক ৩দগী হৌরকখিবনি হায়বসি খঙনা-খঙনা উনা-উনা হৌজিক্তি লোইশিনবা হৈত্রবা লান ওল্লে। পোকপা শিবা নাইবা মীওইবগী মপোক্নি অদুবু ঙসিদি অশিবগা চপ মান্নরে, হিংই হায়বগী মঙাল উশিল্লক্ত্রে-মায়কৈ খূদিং উরুবা তারুবা খূদিং অৱাবা, লৈত-লায়রা, মীকপ মীরাওখোলনা পূম্নিন নিল্লে কংলৈপাকসে। পাঙ্গলনা শুজরগা নোমজরগা চাজবা শিন্মী খক্না খঙনি লানগী চৈথেং... চাদবদি য়াদে থৱাই অমা পাল্লিবনিনা, হিংদবদি য়াদে লান মায়োক্লনবা কংলৈপাক ইমাবু কন্ননবা অমসুং হৌগৎলক্লিবা ইচা-ইশুগী খল্লগা। ইমুং-মনুংগী লান, লৈত-লায়রবগী লান, কায়না মৈচাক্কী লান- লান ময়ামসিগী হৌরকফম ওইরিবা লাঞ্জাওসিদা লোইশিনবীরো, ৱারোইশিন পুবীরকও। খূৎশিন্নবীরো মীয়ামদা হান্নগী ঈং-চিকপা ইমা কংলৈপাক।

**অদোমগী - ঙাইরাংবম ওংবী এলিজাবেথ ৱাহেংবম**
**কোংবা লাইশ্রম লৈকাই, # ৯০৮৯৭০৮৭২২**

-----------------------

### লান অসি কনানা খামগদৌরি?

(৪৪)

ঙসিগা থানা থা ৪ হেনখ্রবা লান অসিগী ৱারোইশিন কনানা পুরক্কদৌরি? মমীৎ তাঙলবা, মনা পঙলবা অমগুম লৈখ্রবা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্ট অমদি ষ্টেট গভর্ণমেন্ট অনীদা থাজবা থমদুনা কয়াম কুইনা লান অসিগী অৱা চৈথেং মায়োক্লদুনা হিংখিগনি ঐখোয়? গভর্ণমেন্ট অমা পানবগী ৱাহন্থোকপু লৈরিব্রা, অসুক কুইনা মীশি-মীনা কয়া য়াওরফাওবা ঈরাং অসিগী ৱারোইশিন অমা পুরকপা ঙমদবা হায়বসিবু করিনো? নৎত্রগা ঈরাং অসিগী মরুমদা করি করম্বা খূদোংচাবনো ঙাইরিবা? মীয়াম্না হৌজিক পাল্লিবা অসি লান নত্তে লান অসিনা মরম ওইদুনা অৱা চৈথেং কয়া মায়োক্লদুনা লাঞ্জেন্নরিবা মীওই কয়াগী পূন্সিনা হান্নগুম অমুক তংদু লৈতানা মাগী-মাগী হৌরকফমদা হঞ্জিন্দুনা লৈবদুনি। ঙসি ফাওবা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টগী মায়কৈদগীসু লান অসি খাম্বগী মমি উদে, ষ্টেট গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী ঈং-চিকপা হঞ্জিল্লে হায়দুনা মীদিয়া হাউসশিংদা ফনা লাউরবসু চীংখোঙ চীংয়াদদি অতৎ-অখম লৈতনা কুকি মিলিটেন্টশিংনা লান্দরক্তুনা মীওই কয়াগী পূন্সি লৈতাফম খঙহন্দ্রি। মরাল লৈজদবা মীওই কয়াগী পূন্সি মাঙখ্রে, কয়া অমনা অশোক-অপন নংদুনা মপূন্সিগী শোয়নাইবা মীওই ওইহল্লি। মসি গভর্ণমেন্টনা খঙদ-উদবদি ওইরম্লোই মরমদি নুমিৎ খূদিংগী প্রেস মীদিয়াগী ইচিল-ইনাওশিংনা থৱায় খূবাক্তা হাপ্তুনা অচূম্বা পাউদম কয়া ফোঙবীরিবনি। ময়াম অসি খঙনা-খঙনা হৌজিক ফাওবা গভর্ণমেন্ট অসিনা তুমিন লৈথোকপা হায়বসি অচূম্বদি ওইদ্রে। অথুবদা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্ট অমদি ষ্টেট গভর্ণমেন্ট অনীনা লমদম অসিদা হান্নগুম অমুক তংদু লৈতাবা হঞ্জিন্নবা শীনবীয়ু। করিগুম্বা গভর্ণমেন্ট অসিনা তশেংনা লান অসি খাম্বা ঙম্লোইদবগী ফীভম লৈরগনা থম্মোয় শেংনা লান তৌরিবা ফুরুপ অনীগী মরক্তা মীচঙ মীখায় নাইদনা লান অসি ৱারোইশিন অদু শীন্নবীরো।

**অদোমগী - থোঙাম থোমাস মীতৈ**
**চঙাঙ্গৈ অৱাং লৈকাই, # ৮৭৮৭৬২৮১৯৮**

-----------------------

### ঐখোয় ফৈজৈ চৎকুমসি

(৪৫)

হৌরকফম মশাগী অশেংবা মরৈবাক হায়বদু লৈজদবা ফৈজৈ চৎলবা কুকিশিংনা মণিপুরগী লৈমায়দা ফৈজৈ চৎশিল্লক্লিবা অসিগী মথক্তা ইন্দিয়ানা থারকপা মাগী সিফাইশিংসু ফৈজৈ চত্তুনা ফৈজৈ চৎপা মশেল মান্নখ্রবসু মণিপুর হায়বা ঐখোয়গী লৈবাক অমদি মসিগী য়েলহৌমীশিং মরুওইনা মীতৈ ফুরুপ্তি ফৈজৈ চৎপদি ওইদ্রি। মণিপুর মশাগী লৈজরিবা ষ্টেট ফোর্সশিংদি ফৈজেরোমদা হেক-হেক চৎপগুমদি তৌরি, মণিপুর লৈঙাক্না ফৈজৈ চৎপগীরা হায়বদুমদি খঙজদরে। হৌজিক্তি মণিপুরগী ফীভম য়াম্না লুরে। মরম অসি লৈবনা মণিপুরবু ফৈজৈ চিংনবা ফৈজৈ চৎলু হায়বা য়াদনা খাঙলগা লৈরিবা মৈতৈ লান্মীশিং অমদি মসিগী লুচিংলিবশিং দেল্লীদা ফৈজৈগী মীফম পাঙথোক্লবা হেক-হেক কৌরকখিবদা শরুক য়াখিবদু মতুংদদি তোকপীরো। ইন্দিয়াগী দেল্লীনা মণিপুর কংলৈপাক ফৈজৈ চিংনবা কুকিশিং ফৈজৈ চিংবীরিবা অমদি ইন্দিয়াগী লান্মী লিশিং ৮০-৯০ মণিপুরদা ফৈজৈগী থবক চথহন্দুনা থম্বনা মরম ওইরগা মণিপুর কংলৈপাক্না দেল্লীগা ৱারী শাবগী মথৌ তাদ্রে। মণিপুরগী লাইবক মণিপুরনা লেপচগদবনি। অদোম-অদোমগী ইমুংগী লাইবকপু অতোপ্পা ইমুং অমনা লেপহনবীবা য়াবা নত্তে। অদুনা মণিপুর কংলৈপাক ফৈজৈ চৎপা য়াদে। মণিপুর কংলৈপাক ফৈজৈ চিংলক্লিবসিদগী কন্নবা মীতৈ ফৈজৈ চৎপা য়াদে, পাঙল ফৈজৈ চৎপা য়াদে, তাঙ্খুল কবুইনচিংবা অতৈ য়েলহৌ ফূরুপশিং ফৈজৈ চৎপা য়াদে।

**অদোমগী - লুখোই, # ৯৮৫৬১৪৮৪৭১**

-----------------------

### পাড়া তম্বীরসি

(৪৬)

তোঙানবা লৈঙাক অমা লৈহনগদবনি হায়বগী দিমান্দদা চিন-কুকি নার্কো টেররিষ্টশিংনা অতম্নমা মীতৈ ফূরুপ্তা চথরক্লিবা তমথীরবা লান্দা অসি চহী চা লিশিং কয়াদগী মশাগী পুৱারী লৈজরক্লবা মীতৈ ফুরুপসিবু উশিত্তবা মরূ ফংনা মুখৎলগে খন্না চথরকপা লান্দানি হায়না খন্দবা ঙম্লোই। কৈসু খঙজদ্রিবা ইচম চম্না হিংজদুনা লৈজবা ময়ূম-মকৈ মৈনা তুম্না থাদোকপীখ্রবা মীচম মীয়ামদুগী মরাইবক্না করোমদা তম্লগদবা? পূম্নমক অসি ঐখোয়গী ইয়ূম ইঙ্খোল য়াওরক্তে হায়দুনা তুমিন্না অসুম উনা-উনা উশিন্নদনা লৈশিনমিন্নরগদ্রা? মতাং অসিদা লৈবাকসিগী ফমদোনবা ফম্নাইবা ওইরিবা মপী-মপাশিংগী ৱাখল্লোন্না করি? ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা মণিপুরবুনা করি করম্বা মীৎয়েংদা য়েংলিবা? ৱাহংশিংসিগী পাউখুম্না কনানা পীবীগনি? মীচম মীয়ামদা লান হৌবা মীচম মীয়ামগী ময়ূম মকৈশিংবু মৈ থাদোকপীদুনা ওৎ-নৈরিবা মীতৈ ফূরুপপু নিংথৌ পাল্লিঙৈ মতম চহী চা লিশিং কয়াদগী মশাগী পুৱারী লৈজরক্লবা অতোপ্পা ফুরুপ অমত্তনা লাকচা খূদুম চনবা ঙম্মত্তবা মীতৈ ফূরুপনি হায়বা খঙদবা চিন-কুকি নার্কো টেররিষ্টশিং চপ চানা খঙহনবা মথৌ তারে, হেঞ্জিনবা য়াদবা কাঙলূপনি হায়বা পাড়া অমা তম্বীরসি।

**অদোমগী - বিশন লাইশ্রম**
**মোংশাঙ্গৈ ময়াই লৈকাই, # ৯৩৬৬৫৪২৬৯৬**

-----------------------

### মণিপুর পূম্বগী সী এম নত্রৱা?

(৪৭)

ঈরাংসে য়েংলগা নুংঙাইনা চৌক্রি কন্না কোল্লু নাম্থোকখিনি ঐখোয় ময়াম্না ভোট পীদুনা লৈবাক পায়হল্লুবগী মহয়নি। মরাল লৈজদবা মীওই কয়া পূন্সি মাঙলিসে য়েংউ পেন্নবা, অনম-অহা চুরৱা মিনুংশি হায়বদো য়াওদ্রৱা, নঙসিবু মীতৈগী অশেংবা ঈ নৎত্রবরা অসুক লুরবা তাঞ্জাসিদা য়েংলগা লৈবীরিবসিবু, মণিপুর পূম্বা বিরেনজিগী মখাদা লৈবা নৎত্রা অদুগা সিফাইশিংনা মী হাৎলিবা কুকিনা মীতৈ নুপী মাঙহনবীরিবা করিসু খঙজদবা অঙাং কয়া মীহাৎ থীনা হাৎতোকপীরিবা মসিবু নঙগী ওর্দররা, অদুবু ঐখোয়দি লাম্থেংনখিনি শিদ্রি ফাওবা ইরৈবাক্তগী লম মচেৎ অমফাও পীথোক্লোই শৈদাংবা পোপী থারগা হুরাল্লগা শেন তানবা শাহিং চাবা মিনুংশি লৈতবা মখোয়দি মরূ ফংনা মুখৎকদবনি। অরোইবদা ইজরিবা ৱাহৈশিংসে ৱারৌবীনু মপী-মপা ওইরগা ঙাক শেনবীবা ঙমদবগী হায়জবনি।

**অদোমগী - নিংথৌজম মিরা**
**নম্বোল, # ৮৭৯৮০১৬৪৬৫**

---

### IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, IMPHAL WEST (SOUTH), MAYANG IMPHAL

**Ref: Mutation case No. : 179/SDC/I.W. (S) of 2023**

1. Md. Nasheruddin Khan, S/o Late. Haji Abdul Helim of Mayang Imphal Bengoon .21 acres
2. Chesam Abdul Hakim, S/o - do - of - do - .21 acres
3. Abdul Majid, S/o - do - of - do - .21 acres
4. Yehiya, S/o - do - of - do - .21 acres
5. Hajibi Hafsa Bibi, W/o Late Alhaj Abdul Hakim of - do - .21 acres

- Vrs -

(Late) Abdul Helim, S/o Late Samsu of Mayang Imphal Bengoon

**/ NOTICE**

Mayang Imphal, the 12/09/2023

Under Section 46(3) of MLR & LR, Act. 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি, মদুদি Under Patta No. 708 (N) Dag No. 104 গী area 1.05 একর চাউবা Ingkhol ক্লাস, Village No. 75-Bengoon অসিগী পাট্টাদার অসি মৃতু ওইখ্রে। মরমদুনা হায়রিবা এরিয়া 1.05 একর অসি petitioner ঐখোয়গী মিংদা ওনশিনবিরো হায়দুনা SDC/IW (S) Mayang Imphal গী Court তা application থারক্লে। পাট্টাদারগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপিনিংবা লৈরবদি, খবর অসিনা হেক ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি শুবা ফাওবগী মনুংদা SDC/IW (S) Mayang Imphal গী Court তা অইবা চেদা complain ওইনা য়েৎপিরগদবনি। হায়রিবা মতম অসি ফাওবগী মনুংদা য়েৎলদ্রবদি Case মখা চত্থরগনি, মতুংদা লাকপা আপতি লৌরোই।

Sd/- Sub-Deputy Collector
Imphal West (South), Mayang Imphal

HL-P/7781/13 Sept.

---

### GOVERNMENT OF MANIPUR
### OFFICE OF THE DEPUTY REGISTRAR OF SOCIETIES, THOUBAL

**/ NOTICE FOR OBJECTION**

**Thoubal, dated the 11th September, 2023**

**No.Prop/SR/TH/2023:** It is hereby notified for general information that an application has been received by this office from the proposed **"Renaissance Foundation",** Lamding, PS Thoubal, PO Wangjing on 6/9/2023 for registration under Section 4(1)(2) & Section 5 of Societies Registration Act, 1989 and Rule 5 of MSR Rules, 2004 within the area of operation of Thoubal District only.

In the matter, Notice for objection is circulated/noticed for information of general public/registered Society/ Assn./Orgn. for submitting/inviting object if any in writing (AADHAR of the complainant or secretary with seal for orgn.) to the undersigned against the formation/registration of proposed Society/Association/Organization/ NGO within 15 (fifteen) days from the date of publication.

Complains/objections if not submitted during the mention period, the application for registration in the **"Renaissance Foundation"** may be initiated / considered / proceeded for registration as deem fit under Section 7(1)(2) of SR Act, 1989 and Rules 6 of MSR Rules, 2004.

Any objection, receiving by way of postal service/hand post/special messenger after the above mentioned period will not be considered/ entertained. (Further you can contact 9862706719 for any objection/ query)

*Sd/-* **I. Rajen**
Deputy Registrar of Societies, Thoubal, Manipur

HL-P/7774/13

---

### BEFORE THE COURT OF LD. DISTRICT JUDGE, IMPHAL WEST DISTRICT : MANIPUR AT IMPHAL

**Original (Guardian and wards) Case No. 3 of 2023**

1. Tongsin Marina, aged about 49 years, d/o late Ts Mongam of Chengkhu (Hongbiban) Village, P.O. & P.S. : Chandel, Chandel District, Manipur.
2. **TS. Bekhum**, aged about 27 years, d/o late Ts Mongam of Chengkhu (Hongbiban) Village, P.O. & P.S. : Chandel, Chandel District, Manipur.

*(The petitioner No. 2 being a disabled with mentally handicapped person is being represented by the Petitioner No. 1)* ...Petitioners

- Versus -

1. TS. Rungvar, aged about 51 years, s/o. late Ts Mongam of Chengkhu (Hongbiban) Village, P.O. & P.S. : Chandel, Chandel District, Manipur.
2. Rd. Riningkham, aged about 48 years, w/o. late Ts Rungvar of Chengkhu (Hongbiban) Village, P.O. & P.S. : Chandel, Chandel District, Manipur

...Respondent

To,
All interested persons

**SUMMONS**

Whereas, the Petitioners namely Tongsin Marina and TS. Bekhum have jointly instituted a case under Section 53 of the Mental Health Act, 1987 read with Section 14 of the Rights of Persons with Disabilities Act, 2016 and any law inter alia for appointing the Petitoner No. 1 - Tongsin Marina bearing the Guardian of the Petitioner No. 2 namely TS. Bekhum for his person and the property. You any of interested persons are summoned/ informed to appear before this Court on 18th September, 2023 at 11:00 O'clock in the forenoon either in person or by a pleader duly instructed and able to answer all material questions relating to the case, and file written statement if any in your defense upon furnishing a copy of Petition.

Take notice in default of your appearance on the above-mentioned date, month and years, the case will be heard and determined in your absence according to law.

Sealed and signed by order of this Court on this 11th day of Sept., 2023.

Drawn by : O. Bijoychandra
Advocate

Sd/- **Sheristadar**
District and Sessions Court,
Imphal West : Manipur.

HL-P/7780/13,14

---

**ADMISSION OPEN**

FOR

1. SPOKEN ENGLISH & ENGLISH GRAMMAR COURSE
FOR
STUDENTS & SENIORS
2. RHYMES TEACHERS TRAINING COURSE
FOR
GIRLS & YOUNG MOTHERS
AT
SPOKEN ENGLISH CLASS

SINCE 1986
NAGAMAPAL LAIMAYUM LEIRAK
PLEASE CONTACT 8974642764

HL-B/8309/10/9-10/10

---

### OFFICE OF THE MANIPUR SAVINGS & INVESTMENT THRIFT AND CREDIT CO-OPERATIVE SOCIETY LTD.

*H.O: KHURAI LAMLONG BAZAR, IMPHAL, MANIPUR*
*Date of Establishment: 9th Sept. 1984*
*Regd. No. 171 of 2017-18 under Sect. 9(1)(a) of the Manipur Co-operative Societies act 1976(Act 14 of 1976), Pin No. 795010*
*Mobile No. 7085269822*

Ref. N0.7/N-GB/MSIC-85 | Dated: 07/09/2023

**/NOTICE NO. 42**

**42nd GENERAL BODY MEETING (2022-23)**

Notice is hereby given to all the members of the society that the General Body Meeting for the year 2022-23 will be held on Sunday, the 24th September 2023. at 9.00 am, at the ***office building hall of "The Manipur Savings & Investment Thrift & Credit Cooperative-Society Ltd", Lamlong Bazar***, to discuss the programmed wise agenda.

1) President takes the chair.
2) Welcome address by L. Umanath Singh (Asst. Secretary).
3) To observe two minutes silence for all the departed souls who died in the Meitei vs Kuki war & Members of the society.
4) Reconfirmation of the previous the 41st Annual General Body meeting resolutions.
5) To discuss the statement of account for the year 2022-23, income and expenditure, profit and loss account and balance sheet with the audit observations.
6) Approval of membership enrolment as on the 23th Sept., 2023.Total member of 660 nos.
7) The payment of dividend @ 2% for the financial year 2022-23 payable of Rs 2,85,240/- (Two lakh eighty five thousand two hundred forty only) out of net profit.
8) (A) Felicitation to the members of the society for their personal achievements;
   i) Prof. Dr. Koijam Shantibala Devi (M.No.145) (M.A,M.Phil,Ph.d, Sahitya Academ awardee).
   ii) Dr. Kalpana Laishram (M.No.135) (MBBS, MD)
   iii) Dr. Kitu Oinam (M.No.619) (BDS)
   iv) Dr. Yumkham Monica (M.No.363) (MBBS, MD)
   v) Olica Naorem (M.No.598) (Gold medalist, Junior National Wushu Championships, 2022).
   (B) Awards to Best Directors for the year 2022-23;
   i) Oinam Prahlad Singh (First prize Rs 1000)
   ii) Khaidem Thambalmacha Singh (Second prize Rs 500)
   iii) Yumkham Siteshchandra Singh (Third prize Rs 400)
   (C) Best employee for the year 2022-23;
   i) Khaidem Ibocha Singh (Account Officer, First prize Rs 1000)
   ii) Naoroibam Jiban Singh (Office Asst. Grade I, Second prize Rs 500)
   iii) Oinam Bijaya Devi (Office Asst. Grade I, Third prize Rs 400).
   (The first prize will be handed over by the sponsored family member, Smt. Sapam 'O' Binodini Devi and her daughter Bandana Sapam in loving memory of (Late) Sapam Bisharup Singh former Board Director of MSIC Ltd whereas the second and third prize will be given by the President).
9) To donate to the Relief Camp of the present war against Meitei minimum of 2% out of the profit with a contribution by the members of the society.
10) Speech by the Members/Invitees of the Cooperative Department/Joint Registrar/DCO and Inspectors, Government of Manipur.
11) Draft resolution of today's meeting presented by the secretary.
12) Speech by the President.
13) Vote of thanks by Naorem Bhogendrajit Singh (Legal Advisor).
14) Light refreshment.

All the members and invitees are requested to make it convenient to attend the meeting in time.

**(Lairenlakpam Chandra Singh)**
**Secretary**
On behalf of the Board of Directors
The Manipur Savings & Investment
Thrift & Credit Co-operative
Society Ltd.

HL-P/7036/13 Sept.

---

### GOVERNMENT OF MANIPUR
### DIRECTORATE OF HANDLOOMS & TEXTILES

**/ NOTICE**

Imphal, the 12th September, 2023

No. HC- 79/H&T/2018: All the candidates who have applied for undergoing 14 days Workshop cum Training Programme of Bell-Metal (such as Senga, Hao Pukham, Pukham Nayatri, etc) are informed to appear before the Counseling Committee on 13-09-2023 at 9:30 a.m. at the Directorate of Handlooms & Textiles, Manipur (Lamphel).

All the candidates are informed to bring Aadhaar Card or any document to prove the Identity of the candidature.

The Managing Director, Manipur Handloom & Handicrafts Development Corporation Ltd, Shri Mutua Bahadur, Director, Mutua Museum and Shri Aheibam Gope, Aheibam Leikai, Heirangoithong are also informed to attend the Counseling on 13-09-2023.

Sd/-
Director of Handlooms & Textiles,
Manipur

HL-B/8314/13

---




HL-P/7162/17, 19, 21, 23, 26, 28, 30, 1 Sept, 3, 5, 7, 9, 11, 13

---

### GOVERNMENT OF MANIPUR
### PUBLIC WORKS DEPARTMENT
### OFFICE OF THE EXECUTIVE ENGINEER, PWD, BISHNUPUR DIVISION

**NATIONAL COMPETITIVE BIDDING**

**No. EE/BPR/TN/2023-24/2**

Dated, Bishnupur, the 12th September, 2023

The Executive Engineer, Bishnupur Division, PWD, Manipur on behalf of the Governor of Manipur invites item rate tender through open tender from eligible contractors for 30 (Thirty) nos. of Non-Plan Works under MH. 3054 (R&B) all costing below 100 lakhs within Bishnupur District, Manipur.

The procurement Officer is Executive Engineer, Bishnupur Division, PWD, Manipur. The tender details and documents shall be available from 13/09/2023 to 20/09/2023 at the Office of the Executive Engineer, Bishnupur Division, PWD, Manipur.

| | | |
|---|---|---|
| Bid submission start date | : | 13/09/2023 from 10:30 a.m. |
| Bid submission end date | : | 20/09/2023 upto 4:00 p.m. |
| Date of opening of bid | : | 21/09/2023 |
| Time | : | 1.30 pm |
| Venue | : | Office of the Executive Engineer, Bishnupur Division, PWD, Manipur |

Sd/- **Executive Engineer**
Bishnupur Division, PWD, Manipur

HL-P/7770/13